# স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা এস এ আইগী হেদক্কার্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে, তঙাইফদবা ওফিসকী থবক হৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই) গী হেদক্কার্টরশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে, ওফিসকী তঙাইফদবা থবকশিং ঙসিদগী তৌবা হৌখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্তুগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসশিং মমাঙ থাগী ২১ দগী থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা এস এ আইগী হেদক্কার্টরশিং অসিগী ওফিসশিং অসিদা ষ্টাফ মশীং হন্থহল্লগা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈরম্বশিং অদু ঙসিদগী হৌহনখিবনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মিনিষ্টর পূম্নমক্না মখোয়গী পেন্দিং লৈরিবা থবকশিং অদু জোইন্ট সেক্রেটরী লেবেল ওফিসারশিং অমসুং তঙাইফদবা ষ্টাফ শরুক অহুম থোকপগী অমনা ওফিসশিংদা থবক চখনবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লুচিংদুনা ষ্টাফ মশীং হন্থনা থবক তৌবা হৌখি। ঐখোয়না লৈঙাক্কী কমপ্লায়েন্স রুলশিং হায়বদি সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং, মাস্ক উপ্পা অমসুং টেম্পরেচর চেক তৌখি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কা লাকমিন্নখিবশিংনসু মাস্ক উপখি অমসুং ওফিসশিং চঙলমদাইদা সেনিটাইজর শীজিন্নে লোয়ননা টেম্পরেচরসু চেক তৌই হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

দিভিজনেল হেদশিং অমসুং লৱার দিভিজন ষ্টাফকী পার্সেন্ট ৩০ না রোটেসন তৌদুনা থবকশিং অসি ঙসিদগী তৌবা হৌখিবনি। মসি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওর্দরগী মতুং ইন্না পাঙথোকপনি। চখরিবা লোকদাউন অসি মপুং ফানা লৌথোক্ত্রিফাওবা ষ্টাফশিংনা রোটেসন বেসিসতা মখোয়গী মথৌশিং অদু পাঙথোক্কনি হায়না স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখি।



# ‘ওলেম্পিক য়েথোকপনা শেম শাবদা খুদোংচাবা কয়া ফংলে’

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ লায়চৎনা মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমস য়েথোকখিবদগী গেমস অসিগী শেম শাবদা মতম য়াম্না ফংলে হায়না ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণন মমাঙ চহীগী জনুৱারি থাদা প্রো বোক্সিংদা খোঙদাবা হৌখিবনি। মহাক প্রোফেস্নেল বাউটতু য়াম্না ফজবা বোক্সর অমা ওইবা ঙম্লিবনি। মহাক অহুম্লকশুবা ওইনা ওলেম্পিক্স ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা জোরদানগী কোনুং অম্মানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান / ওসিনিয়া বোক্সিং ওলেম্পিক ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিকাস কৃষ্ণননা কেজি ৬৯গী কেটেগোরিদা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা টোকিও ওলেম্পিক্সকী কোটা ফংখিবনি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈরি। মরম অসিনা ট্রেনিং তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। লোকদাউন মনুং অসিদা প্রেক্টিষ্ট তৌনবা মহাক্কী পঞ্চিং বেগসু লৈতে হায়না ভিকাস কৃষ্ণননা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমসতা কেজি ৭৫ দা শরুক য়াখিবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা উজবেকিস্তানগী বেকটেমির মেলিকুজিএভকী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী মেডল ফংদনা লাকখিবা অদু টোকিও গেমসতা কন্না হোৎনদুনা মেডল অমা পুরক্কবা হোৎনগনি হায়খি।



# সুনিল গভাস্কর অমসুং রোহিট শর্ম্মনা ৱাশিম জাফরগী টিম মুম্বাই এলবেনগী বেটিং হৌদোক্কনি

*মুম্বাই, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙদা ইন্দিয়াগী ওপনর বেটসমেন ওইরম্বা ৱাশিম জাফরগী মুম্বাই এলবেন টিমদা সুনিল গভাস্কর অমসুং রোহিট শর্ম্মনা টিম অসিগী বেটিং হৌদোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ৱাশিম জাফর ফিল্ডদা তোয়না শোকপদগী মশান্না অসিদগী মার্চ থাদগী শান্নদনা লাক্লি। অদুবু মহাক সোসিয়েল মেদিয়াদদি য়াম্না এক্টিভ ওইনা কম্মেন্ট কয়া পীরিবা মীওই অমনি। কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা য়ুমদা লেঙনা লৈরবসু মহাক্কী ফেনশিংগা ত্বিট্টরগী খূথাংদা নুমিৎ খূদিংগী পাউ ফাওদোক–ফাওজিন তৌনদুনা এক্সপরিয়েন্স সেয়র তৌনরি।

ৱাশিম জাফর মুম্বাই এলবেনগীদমক থবক তৌরিবা মীওই অমনি। মহাক্না ঙরাং লাওথোকখিবদা লৈবাক অসিগী মমাঙগী শান্নরোই সুনিল গভাস্করগা লোয়ননা হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী টিমদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লিবা রোহিট শর্ম্মগনা টিম অসিগী ওপনরশিং ওইগনি হায়না মহাক্কী ত্বিট্টরদা ফোঙদোকখি।

মুম্বাই এলবেন ক্রিকেট টিম অসি কুমজা ১৯৭০ দগী শেন্নকপনি। টিম অসিগী কেপ্টেনসু সুনিল গভাস্করনা ওইগনি অদুগা টিম অসিদা লিজেন্দরি সচিন টেন্দুলকরসু শরুক য়ারিবনি। মমাঙদা য়াম্না টেলেন্ট লৈরবা বেটসমেন ওইরম্বা ভিনোদ কম্বলিসু মুম্বাই এলবেন টিম অসিদা য়াওরি। মহাক্না ইন্টরনেসনেল লেবেলদা শরুক য়ারিঙৈদা ইন্নিংস হৌরকপদগী রন য়াম্না লৌনবা হোৎনরকপা শান্নরোই অমনি।

ভেটরান ক্রিকেট্টর ৱাশিম জাফর ফার্ষ্ট ক্লাস গেমস ২৬০ শান্নবা ঙমখ্রে। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিঙৈদা টেষ্ট মেটচ ৩১ অমসুং ৱান দে মেটচ ২ শান্নরমখি। মহাক মুম্বাইদা শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা কুমজা ২০১৫–১৬ সিজনদা ভিদরভা ক্লবতা শরুক য়াখি। মহাক কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা রঞ্জি ট্রোফিগী গেমস ১৫০ শান্নবা ঙম্বা অহানবা শান্নরোই অমসু ওইরিবনি।

ৱাশিম জাফরনা কুমজা ২০১৮–১৯ গী রঞ্জি ট্রোফি সিজন্দামহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি। মহাক্না সিজন অসিদা পুন্না রন ১০৩৭ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী এভরেজনা ৬৯.১৩ ওইরি। মহাক্কী রনশিং অসিগী মনুংদা সেঞ্চুরি ৪ য়াওখি। অদুগা খ্বাইদগী য়াম্না স্কোরনা রন ২০৬ ওইখি।

ৱাশিম জাফরগী মুম্বাই এলবেন টিমদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি– সুনিল গভাস্কর (কেপ্টেন), রোহিট শর্ম্ম, দিলিপ ভেঙ্কসরকার, সচিন টেন্দুলকর, ভিনোদ কম্বলি, সি পন্দিট (ৱিকেটকিপর), সাইরাজ বাহুটুলে। রমেস পৱার, অজিৎ অগারকর। অব্দুল ইসমেল, জাহির খান, এ কুরুভিল্লা অমসুং পি সিভাল্করনি। অদুগা ১২শুবা শান্নরোইনা জি পারকরনা ওইরি।





ক্রোসৱার্দ ৪৮৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | F | A | R | ■ | A | R | I | A | S | ■ | S | A | L | E |
| L | O | G | O | ■ | S | A | N | T | A | ■ | A | G | U | A |
| T | U | R | N | S | I | G | N | A | L | ■ | G | E | N | T |
| O | R | E | ■ | I | D | E | S | ■ | O | R | A | N | G | E |
| ■ | ■ | E | D | G | E | ■ | ■ | M | O | I | S | T | E | N |
| D | E | M | O | N | ■ | O | M | E | N | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| O | V | E | N | S | ■ | H | O | T | ■ | E | A | S | E | L |
| L | E | N | O | ■ | ■ | D | D | E | ■ | ■ | L | A | V | A |
| E | N | T | R | Y | ■ | E | E | R | ■ | O | G | L | E | D |
| ■ | ■ | ■ | ■ | O | P | A | L | S | ■ | P | A | T | S | Y |
| S | L | A | N | D | E | R | ■ | ■ | S | T | E | W | ■ | ■ |
| K | O | R | E | A | N | ■ | M | I | N | I | ■ | A | P | E |
| A | N | E | W | ■ | P | R | O | S | E | C | U | T | O | R |
| T | E | N | T | ■ | A | I | S | L | E | ■ | S | E | E | R |
| E | R | A | S | ■ | L | O | S | E | R | ■ | A | R | M | S |

# ৱিকেন্দ বারবেক্যু য়াওরুবা বেলজিয়মগী ফুটবোল্লর ওব্বী ওলারে ফাইন তৌখ্রে

*ব্রুজেলস, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিগী মায়োক্তা চৎতুনা ৱিকেন্দ বারবেক্যু শরুক য়ারুবা বেলজিয়মগী ফুটবোল্লর য়াওনা মীওই ৫ লৈঙাক অসিনা ফাইন থিহনখ্রে হায়না বেলজিয়ান মেদিয়াদা রিপোর্ট তৌরি।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা বেলজিয়মগী লৈঙাক্না মফম পূম্নমক্তা অথিংবা কয়া থমদুনা লাক্লিবনি। অথিংবশিং অসিগী মায়োক্তা লিইগেদগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা হাসেল্ড টাউনদা চয়োলগী ওইবা ৱিকেন্দ বারবেক্যুদা বেলজিয়মগী ফুটবোল অসিগা লোয়ননা মীওই ৫ শরুক য়ারবদগী পুলিসনা ফাগৎখিবনি। ৱিকেন্দ বারবেক্যুগী পার্টি অদুসু পুলিসনা থুগাইখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ওলারেনা ফোঙদোরকখিবদা ঐখোয় পার্টি তৌবা নত্তে, অদুবু য়ুমথংনবনা পুলিস কৌখিবনি। ঐখোয়না অরানবা তৌখিবা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ওলারে বেলজিয়মগী অন্দর–২১ ফুটবোল টিমদা য়াওরম্বনি। নহা ওইরিবা শান্নরোই অসি কুমজা ২০১৫ দা ইংলেন্দগী ক্লব ৱাটফোর্দতা শরুক য়াদুনা মেটচ অনী প্রেমিয়র লীগ শান্নরমখি। মসিগী মতুং হল্লক্লগা বেলজিয়মগী মকোক থোংবা ক্লব ক্লব ব্রজদা শরুক য়াখিবনি। পনবা য়াই, কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা বেলজিয়মদা মীওই ৩,৬০০ হেন্না শিহনখ্রবনি।

# চহী অসিগী নবেম্বর–দিসেম্বরদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগনি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী নবেম্বর–দিসেম্বরদা নুপা অমসুং নুপীগী এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোকখ্রে। মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি চেম্পিয়ন্সিপ অসি পাঙথোক্কদবা মতমদদি মপুং ফানা লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না বোদি অসিগী মায়কৈদগী মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ১৯৮০ দা মুম্বাইদা নুপীগী এসিয়ান মিট পাঙথোকখি। অদুগা কুমজা ২০০৩ দা নুপীগী ইভেন্ট ওইনা হিসারদা পাঙথোকখিবনি। মমাঙ চহীদা ইভেন্ট অসি নুপা অমসুং নুপীগী পুন্না পাঙথোকখিবনি।

এসিয়ান বোক্সিং কনফেদরেসনগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মিটিংদা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসি ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবগী রাইট অদু চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা ফংখিবনি। টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী নবেম্বর–দিসেম্বরদা পাঙথোক্কনি। হোষ্ট সিটি অদুদি কোভিদ–১৯গী লাইচৎ অসি লাকশিল্লবা মতুংদা লাওথোক্কনি হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী একজিক্যুটিভ দাইরেক্টর আর কে সাচেটিনা পি টি আইদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ–১৯ না মালেমগী মফম কয়াদা ওইহলক্লিবা ফিভম অসি জুন থা ফাওবগী মনুংদা লাকশিনবা য়ানা লৈরে। অদুবু নোরমেল এক্টিভিটিজশিং পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মখা তানা থা ৩ নৎত্রগা ৪ চঙখিগনি হায়না সাচেটিনা মখা তাখি। ইভেন্ট অসি চহী অনী। অনী লৈরগা পাঙথোকপনি অদুবু মতম খরগী মমাঙদগী চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী বিদ অসি জনুৱারি থাদা লোয়শিনখ্রবনি। ফোরমেল এনাউন্সমেন্ট অদুদি কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি রিজন অসিদা খরা ফগৎলকপদগী লাওথোরকখিবনি হায়না সাচেটিনা মখা তাখি।

চহী অসিদা পাঙথোক্কবগী মতম লেপখ্রবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসি শোয়দনা পাঙথোক্কবগী পান্দম থম্লি। ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনগী প্রোগ্রামশিংসু চহী অসিগী নবেম্বর–দিসেম্বরদা পাঙথোকপা য়াগনি হায়না ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই সি সি) না থম্লকখিবা ৱাফম অদুসু বি এফ আইগী একজিক্যুটিভ আর কে সাচেটিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি লাকশিনবা ঙম্লবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসি শোয়দনা পাঙথোকপা ঙমগনি। হৌজিক্কী ওইনদি হোষ্ট ওইগদবা সিটি অদু লেপথোক্ত্রি। মসিগীদমক লোকদাউন লোয়রবা মতুংদা খন্নগনি হায়না সাচেটিনা মখা তাখি।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল স্পোর্টস কেলেন্দরদা চাওনা অকায়বা পীরি। লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অমসুং য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপসু কুমজা ২০২১ দা য়েথোকখ্রবনি।

ফিভম অসিনা মরম ওইরগা বোক্সরশিংনা ট্রেনিং চখবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুহল্লি। কোচশিংনা এঠলেটশিং অসিবু ওনলাইনগী খূথাংদা অঙম্বা মতেং পাঙদুনা ট্রেনিং তৌরি। মখোয়না ফিভম অসি য়েংলগা মখোয়গী রুটিন শেমজরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা পুন্না বোক্সর ৯ টোকিও ওলেম্পিক গেমস ক্বালিফাইদ ওইখ্রবনি। মখোয়গী মনুংদা নুপা বোক্সর ৫ অমসুং নুপী বোক্সর ৪নি। লৈবাক অসিগী অতোপ্পা বোক্সর খরসু ক্বালিফাইদ ওইবগী খুদোংচাবা লৈরিবনি।



# ক্রাইষ্টেল পেলেসকী কোচ হোদসন্না প্রেমিয়র লীগ লোইশিনবা পাম্লি

*লন্দন, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা য়েথোকত্তুনা লৈরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ক্রাইষ্টেল পেলেসকী কোচ রোয় হোদসন্না লোয়শিনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা শান্নবা য়াদনা লৈরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী লেমহৌরিবা মেটচশিং অসি আর্টিফিসিয়েল মিন্স শীজিন্দুনা পাঙথোক্তুনা চেম্পিয়ন ওইবা ক্লব অদু দিসাইদ তৌগদবনি লোয়ননা রেলিগেসন অমসুং চেম্পিয়ন্স লীগকী স্পোট অথুবা মতমদা খঙহনবা মথৌ তাই হায়না ক্রাইষ্টেল পেলেসকী মেনেজর রোয় হোদসন্না ফোঙদোকখিবনি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী লেমহৌরিবা মেটচশিং অদু মাচ ১৩ দগী লেপ্তুনা লাক্লি। টুর্নামেন্ট অসিগী ক্লবশিংনা অশোয়–অঙাম য়াওদনবা থৌরাং লৌখৎতুনা অতেনবা মতমদা মেটচশিং অথুবা মতমদা শান্নবা হৌবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি এপ্রিল ৩০ ফাওবা সস্পেন্দ তৌদুনা থমখিবনি। করিগুম্বা মখা তানা মতম কক্তনা অথিংবা থমখ্রবনি। খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরবা য়ারি। মেডিকেল এদভাইস অমসুং গভর্ণমেন্টকী সপ্পোর্টকী মখাদা টুর্নামেন্ট অসি হৌহনবা মথৌ তাই হায়খি।

ক্রাইষ্টেল পেলেস টিম অসি ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা ১১শুবা লৈরিবনি। লিভরপুলনা মেটচ ২৯ দা পুন্না পোইন্ট ৮২ ফংদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। ক্রাইষ্টেল পেলেসকী ওইনদি মেটচ ৯ শান্নগদবা ৱাৎলিবনি।

# অথিংবা মায়োক্লবা লোয়রবা এঠলেটশিং ওলেম্পিক্স য়াওবগী খুদোংচাবা ফংলগনি

*ব্রুজেলস, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

টোকিও ওলেম্পিক গেমস মথং চহীদা য়েথোকখিবদগী দোপিং কেসকা মরী লৈননা অথিংবা মায়োক্নরিবা এঠলেটশিংনা মখোয়গী অথিংবগী মতম অদু চহী অসিদা লোয়শিল্লবশিং দি গেমস অসি শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরি।

টর্কিগী রন্নর গামজে বুলুট কুমজা ২০১২ লন্দন ওলেম্পিক গেমসকী নুপীগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা সিলভর মেডল ফংখি। অদুবু মহাক্কী বাইওলোজিকেল পাস্পোর্টতা চয়েৎনবা লৈরম্বদগী কুমজা ২০১৬ তগী অথিংবা থম্লকখিবনি। মহাক্কী অথিংবা মতম অদু মথং থাগী ২৯ দা লোয়গদবনি। কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমস মথং চহীদা য়েথোকখিবদগী মহাক্না গেমস অসিদা শরুক য়ানবা হোৎনবদা খুদোংচাবা চাওনা ফংখিবনি।

গামজেনা ফোঙদোরকপদা গেমস অসিদা শরুক য়াবা ফংলরোই হায়না খল্লুরবনি অদুবু চহী অমা য়েথোকখিবদগী খুদোংচাবা খরদি লৈরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এঠলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটনা ফোঙদোকখিবদা ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী অথিংবা থম্লিবা এঠলেট ২০০ গী মনুংদা এঠলেট ৪০ রোমদি মখোয়গী অথিংবা মতম লোয়রদুনা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়ানবগী হোৎনবদা খুদোংচাবা ফংলগনি। বোদি অসিনা মালেমগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী থবকশিং য়েংশিল্লিবনি।

টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসিদা এঠলেট ১১,০০০ হেনবনা দিসিপ্লিন ৩৩ দা লম্বা তৌনগনি। অপুনবা এঠলেটশিং অসিগী মনুংদা ২,০০০ রোমদি ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগীনি হায়রি।

# স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে ভরচুয়েল মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি

*ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

টেন্নিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে ভরচুয়েল মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি হায়না কনফার্মেসন পীরকখ্রে।

এপ্রিল ২৭ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন কম্পিটিসন অসি টি ভি অমসুং সোসিয়েল মেডিয়াদা লাইভ থাগনি হায়রি।

টেন্নিস মশান্নগী অতোপ্পা মমিং লৈরবা শান্নরোইশিং বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন, য়ু এস এগী জোন ইসনর, রুশিয়াগী কারেন খাচানোভ, কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দ, ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিস অমসুং নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সসু ওনলাইন কম্পিটিসন ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ভরচুয়েল মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা য়াগনি হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রবনি।

মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা ওইহল্লক্লিবা ফিভম অসিনা শান্নরোইশিং অসিনা মখোয়গী ট্রেনিং সেসন পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মশান্নশিং অসিদা এক্টিভ ওইনা লৈননবা ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লবা শিনখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

রুশিয়াগী শান্নরোই কারেন খাচানোভনা ফোঙদোকখিবদা ভরচুয়েল মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না অফবা অমনি। মসিনা মরম ওইরগা মতম কুইনা শান্নবা ফংদনা লাকখিবা অদু কোকহন্দুনা মশান্না অসিদা পূক্লিং চঙবগী চাং হেনগৎহল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।


ঐহাক্না অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোইশিংগা লম্বা তৌনদুনা মহাক্কী হৈ–শিংবশিং অদু মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা টেন্নিসপু পামজবা মীওইশিংদা উৎথোকপা পাম্মী হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ভরচুয়েল মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী তোঙান–তোঙানবা প্রাইজগী শেনফম লৈরি। অপুনবা প্রাইজগী শেনফম অসি য়ু এস দোলর ১৬৪,০০০ নি।

ৱিন্নর ওইরক্লবশিংনা মখোয়না ফংগদৌরিবা শেনফমশিং অদুদগী শরুক কয়া টুর্নামেন্ট শরুক য়াবা ঙমদনা লৈরিবা লোয়ননা শেল–থুমগী অৱাবা মায়োক্নরিবা টেন্নিস শান্নরোইশিংদা দোনেট তৌগদগে হায়বদু লেপথোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

প্রাইজগী শেনফম অসিদগী য়ু এস দোলর ৫৫,০০০ না কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্নরিবা মীওইশিংদা দোনেট তৌগনি। ড্রো খূদিংমক্তা শান্নরোই ১৬ না লম্বা তৌনগনি হায়রি।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী প্রোফেসনেল টুর্নামেন্ট ৩০ হেন্না য়েথোকখ্রবনি। য়েথোকখ্রবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টসু য়াওখিবনি। মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি মে ১ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্লবা মমাঙদা সেদ্যুল লৈখ্রবনি।





# কোভিদ–১৯ গা মরী লৈননা ফুটবোল্লর জে জে লালপেখলুৱানা ঈ মতেং পাঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা নেসনেল লোকদাউন তৌদুনা লৈরিবা অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমদা ষ্ট্রাইকর ওইনা থৌদাং লৌরিবা মীজোরাম মচা জে জে লালপেখলুৱানা মহাক্কী ষ্টেটতা ঈগী মথৌ তাবা অনাবশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খরমখৈ কোক্লবা মশাগী ঈ মতেং পাঙখ্রে।

ফিভম অসিদা মীজোরামদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী ব্লদ য়ুনিটশিংদা খূদক্কী ওইনা অনাবশিংনা ঈ মথৌ তারকপা মতমদা ঈগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপনা হোস্পিটাল ওঠোরিটিনা য়ং মীজো এসোসিয়েসনদা মতেং নীরকখিবদগী মখোয়গী মায়কৈদগী অৱাৎপা ঈ মেনখৎনবা মতেং অসি পাঙখিবনি হায়রি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা ষ্ট্রাইকর অসিদা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক্কী ওইনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়ুমদা তুমিন্না লৈবা অসি চুমদে খনবদগী জে জে লালপেখলুৱানা সিনোট হোস্পিটালদা চৎতুনা ঈ মতেং পাঙবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবনি। মখা তানা হোস্পিটালগী ব্লদ য়ুনিটশিংদা ঈ লৈত্রে হায়বা পাউ হেক ফংবগা মহাক্কা ৱাখল মান্নবা মীওইশিংগা য়ং মীজো এসোসিয়েসনগী মখাদা থবক চখনবা খন্নগনি হায়রি।

# সচিন টেন্দুলকর অমসুং রাহুল দ্রাভিদ দেল ষ্টেনগী বেষ্ট বেটিং লিষ্টতা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৩ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী ভেটরান পেসর দেল ষ্টেননা মহাক্কা শান্নমিন্নরম্বা বেটসমেন ৫গী মমিং লৌখৎলকপদা ইন্দিয়া টিমদা মমাঙদা শান্নরম্বা সচিন টেন্দুলকর অমসুং রাহুল দ্রাভিদ য়াওখ্রে।

দেল ষ্টেন সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট টিমদা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা শান্নরোইনি। মীয়াম্না ত্বিট্টরগী খূথাংদা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা ঐহাক বোল্লর অমা ওইরগসু য়াম্না লুম্না লৌই।

দেল ষ্টেন মমাঙ চহীদা ক্রিকেট মশান্না অসিদগী পোত্থাখ্রবনি। ময়াক্না সাউথ অফ্রিকা টিম অসিদা লৌরম্বা থৌদাং অদু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হৌজিক ফাওবা নীংশিংনরি।

দেল ষ্টেন ইন্দিয়াগী বেটসমেন সচিন টেন্দুলকর অমসুং রাহুল দ্রাভিদকা পুন্না শান্নমিন্নরত্তুনা মখোয়–মখোয়গী এক্সপরিয়েন্স অদু খঙনরিবনি। মহাক্কী বেষ্ট বেটসমেন ৫ গী মমিং খনগৎলকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী অসি য়াওবা ঙমখিবনি হায়রি।

দেল ষ্টেন্না খনগৎখ্রবা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ৫ অদুদি সচিন টেন্দুলকর, রাহুল দ্রাভিদ, ওষ্ট্রেলিয়াগী রিক্কী পোন্টিং, ৱেষ্ট ইন্দিজগী খৃষ্ট গেল অমসুং ইংলেন্দগী কেভিন পিটরসননি।